## ইং ২০২৮দা ইন্দিয়ানা পৃথিবীগী ইকোনোমিদা ৩শুবা লৈবাক ওইরগনি

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৮ঃ* ইং ২০২৮দা জপাননা ওইরিবা শেল–থুমগী ফিভমগী মথক্তা ইন্দিয়ানা কাখৎতুনা চাইনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মথংদা লৈরগনি হায়না লণ্ডনদা বেজ তৌবা ইকোনোমি কন্সলটেন্ট গ্রুপ অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইং ২০১৩গী ওইবা ৱার্ল্ড ইকোনোমিগী রিপোর্টতা কানাদাগী মথংদা লৈদুনা পৃথিবীদা খ্বাইদগী চাউবা ইকোনোমিগী ১১শুবা পোজিশন্দা লৈরি। ফিভম অদুদা য়েংলগা ৱার্ল্ডগী দিমোগ্রাফি অমসুং ইকোনোমিক গ্রোথতা য়েংলগা ইন্দিয়াগী ইকোনোমি অসি ইং ২০২৮দা পৃথিবীগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা ইকোনোমিগী পোজিশন ৩শুবদা জপানবু নমথরদুনা লৈরগনি হায়রি।

সাইবর ৱার্ল্ড ইকোনোমি লীগ টেবলনা ফিভম অদু চহি অমমমগী ওইনা লৌখৎপা রেকোর্দকী মতুং ইন্না ফোঙদোরক্লিবনি। ইং ২০১৩দা ওইখিবা লীগ টেবলগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ানা ১১শুবা পোজিশন্দা লৈখি।

হৌজিক জি দি পিদা শীংথানিংঙাই ওইরবা পৃথিবীগী লৈবাক ৩০গী মথক্তা কাখৎলক্তুনা ইন্দিয়ানা ইং ২০২৮দা ৩শুবা পোজিশন্দা লৈরগনি হায়রি।

## দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর ওইনা অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল ৱাশক লৌখ্রে মীয়ামদা শক্তি শিন্নগনি, করপসন লৈহল্লোই হায়রি

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৮ঃ* দিল্লিগী ৭ শুবা চিফ মিনিষ্টর ওইনা ঙসি আম অদমি পার্টি (এ এ পি)গী লুচিংবা অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল ৱাশক লৌখ্রে। থৌরম অদুগী হেক মতুংদা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা পার্টি অদুনা লাম্হেংনখিবা অদু দিল্লিগী মীয়ামদা শক্তি শিন্নবনি হায়খি।



মহাক্না হায়খিবদা, প্রোব্লেম পূম্নমক সোল্যুশন পুরকপা ঙমদবা য়াই। প্রোব্লেম অমা খূদক্তা হেক্তা মেজিক্কুম্না কোকহনবদি ঙম্লোই। মদুগীদমক মতম শাংনা লাম্হেংনবা চঙই। লাম্হেংনবা অদুদা মীয়ামগী মতেং দরকার লৈ। মদুনা লৈবাক অসিগী কোনুং দিল্লিদা করপসন মুখৎপা ঙমগনি।

মহাক্কী মিনিষ্টর অমসুং পার্টিগী মীওইশিংদা ৱার্নিং তৌরদুনা হায়খিবদা, নখোয়না শক্তি লান্না শীজিন্নরোইদবনি। অচৌবা পার্টিশিংগী অশোয়বশিং লৌথোক্লবা মখোয় পোক্লকখিবনি। অদুগা অতোপ্পা পার্টি অমত্তনা আম অদমিবু মুখৎপসু ঙম্লোই হায়খি।

ঙসিগী নুমিৎ অসি ইতিহাস ওইনা লৈরগনি অমদি কম্মনমেন অমনা মায় পাকপনি হায়না ফোঙদোক্লি। ঙসি অয়ূক পূং ১১.৩০ তাবদা কেজ্রিৱাল ৱাশক লৌগদবা মফম বরাকখম্বাদা য়ৌরকখি। তশেংবমক্তি আম অদমিনা ভি আই পি কলচরগী ৱাংমদা লৈ। মহাক্না মমাঙদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা মঙোন্দা পীগদবা জেদ কেটেগোরিগী সেক্যুরিটি লৌরোই হায়খিবনি।

ৱাশক লৌরবা মতুংদা পাউমী–শিংদা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা থৌরম অদু হেক লোইবগা দিল্লি গবর্ণমেন্ট সেক্রেটেরিয়েটতা চৎকনি। মহাক্কী পার্টিনা দিল্লিদা করপসন লৈহল্লোই হায়না ৱাশকখি। লোয়নন্না মৈগী খাজনা হম্থহনগনি অমদি ইমুং অমদা নোংমগী ওইনা ঈশিং লিটর ৭০০ ফ্রিদা ফংহনগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

চৎলিবা থা অসিগী ৪ দা পাঙথোকখিবা দিল্লি এসেমব্লিগী মীখল অদুদা কংগ্রেসপু নমথরমদুনা ঙসি দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরি। অদুমওইনমক, আম অদমি পার্টিনা হাউস অদুদা মেজোরিটি ওই হায়বদু মথং থাগী ৩ দা উৎকদবনি।

দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর ওইরবা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিদা অমোৎপা রাজনিতিনা মরম ওইরগা প্রোব্লেম কয়া থোকহল্লি। মদু মহাক্কী পার্টিনা শেংদোক্কনি।

অন্না হজারেনা রাজনিতিদা চঙশিল্লকপদা য়াখিদবনি। অদুবু মহাক্কী পার্টিনা চঙশিল্লক্লিবা অদুদি অদুগুম্বা অমোৎপশিং অদু শেংদোক্কবগীদমক্তনি। সরকারগী ওফিস অমদা কনাগুম্বা অমনা শেঞ্জা থুমজাগী ৱাফম হায়রক্লবদি মহাক্কী মথক্তা কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎপগা লোয়নন্না মহাকপু ফাগনি।

অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরকপদা কনফিদরেশন ওফ ইন্দিয়ন ইন্দষ্ট্রিনা হরাও তয়াম্বা অমদি থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। সি আই আইনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা, অনৌবা সরকার অদুনা থবক হেন্না ফংহন্নবা, স্কিল দিভেলপমেন্ট ৱুমেন ইম্পাৱারমেন্ট অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্টতা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোরক্লি।

এন্টি–করপসনগী লান্মী অনা হজারেনা কেজ্রিৱালনা দিল্লিগী ৭শুবা চিফ মিনিষ্টর ওইরকপদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মহাক্কী মেসেজ অমদা অনানা হায়, লৈবাক অসিবু সেবা তৌনবগীদমক রাজনিতিগ, মপান নাইদবা থবক পায়খৎপদা মীৎয়েং থমগদবনি হায়রি।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### টেলিগ্রাফ অমদি টেলিফোন

*টেলিগ্রাফ হায়বা ৱাহৈসি ইহান হান্না ফ্রান্সতা ইং ১৭৯৩দা শীজিন্নবা হৌখ্রবসু ইং ১৮৩৭তা চার্লস হ্বিটস্টোন অমসুং ৱিল্লিয়ম কুকনা ইহান হান্না লণ্ডনদা ইলেক্ট্রিক টেলিগ্রাফ খিনখি। টেলিফোন ইহান হান্না পুথোকখিবা মীশক্না ফাদর ওফ দি টেলিফোন হায়না খঙনরিবা আলেকজেন্দর গ্রাহম বেলনি (১৮৪৭–১৯২২)। স্কোটলেন্দগী ইদিনবর্গতা পোকখিবা গ্রাহম বেল অসি ১৮৭০ দা কানাদাদা চৎখ্রবা তুংদা য়ু এস এদা লৈখি। মফমদুদা মহাক্না খোঞ্জেলগী মরমদা থিজিনখিবগী ফলনা মনা পংলবা মীওই কয়া খোঞ্জেল তাহনবা ফংহনখি। মখা তানা মহাক্না থিজিনখিবদা ৱায়ার শীজিন্নদুনা খোঞ্জেল ট্রান্সমিট তৌহনবগী মেথদ অমা পুথোকখি। ইং ১৮৭৬তা টেলিফোন পুথোকখি। মহাক্কী কাগা থংননা লৈবা মহাক্কী এসিষ্টেন্ট থোমাস ৱাটসনদা চাংয়েং ওইনা টেলিফোন তৌখিবা অদুনা অহানবা টেলিফোন কোল ওইখি। অদুগী তুংদা মহাক্না ন্যু য়োর্কতগী চিকাগোদা ফোন তৌখি অমদি মদুনা অরাপ্পা মফম অমদা তৌনবা অহানবা টেলিফোন কোল ওইখি।*

## অৱাং ভারত্তা খম থেংনা ঈংবগী ফিভম মায়োক্লরি

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৮ঃ* অৱাং নোংপোক ভারত্তা খম থেংনা ঈংবগী ফিভম অমা মায়োক্লরে। রিজন অদুদা উন পুবা অঈংবা নুংশিৎ শীৎচিল্লকখিবগা লোয়নন্না হরিয়ানাদা ফ্রিজিং পোইন্টকী মখাদা লৈখ্রে। দিল্লিদা ময়েক শেংবা অতিয়াগী শক্তম উরবসু অঈংবা নুংশিৎনা লৈবাক অসিগী কোনুংদা খম থেংনা ঈংবগী ফিভম মায়োক্লহল্লে। মফম অদুদা খ্বাইদগী শাবগী চাং অসি সেলসিয়স দিগ্রী ২০ ওইরি। মদু নোর্মেল ওইবা অঈং–অশাগী চাংদগী হন্থরবনি। অদুগা খ্বাইদগী ঈংবা চাংনা সেলসিয়স দিগ্রী ৪.৯ ওইরি।

## ননদেদ–বেঙ্গলোর এক্সপ্রেস মৈ চাকপদা ২৬ শিরে, ১৫ শোক্লে



*অনন্তপুরম, দিসেম্বর ২৮ঃ* অন্দ্র প্রদেশ অনন্তপুরম দিষ্ট্রিক্টতা ননদেদ–বেঙ্গলোর এক্সপ্রেসকী দাবা অমা মৈ চাকপদা অঙাং ২ য়াওনা মীওই ২৬ শিরে, ১৫না শোকহনখ্রে।

ঙসি অয়ূক অঙনবদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অদু অনন্তপুরম দিষ্ট্রিক্টকী কোঠাচিরুভু রেলৱে ষ্টেশন ময়াদা থোকখিবনি।

পেসেঞ্জরশিংনা টি ভি চেন্নেল অমদা ফোঙদোকখিবদা, মখোয় মতম অদুদা তূম্লি, মীওই খরনা এ সি ক্লাসকী বি–১ বোগি অদুদগী মৈ থোরক্লে হায়না খঙহল্লকখি। তুংদা ইমর্জেন্সি চেন চিংদুনা ট্রেন অদু লেপহনখি।

পেসেঞ্জরশিং অদু মৈ চাক্লিবা ট্রেন অদুদগী অমম্বা মরক অদুদা চোংথনরকখি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওই ১৫ ধর্ম্মভরম, পুতাপালঠি অমসুং অনন্তপুরম হোস্পিটালদা লায়কন্নখি হায়খি।

অহানবা ওইনা ফংবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না রেলৱে মিনিষ্টর মালিকার জুন খরগেনা ফোঙদোকখিবদা, এক্সপ্রেস ট্রেন অদু মৈ চাকপদা মীওই ২৩দি শিখ্রে। অদু শোর্ট সর্ক্যুট অমনা থোকহনবা ওইগনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনক্বারি চথনবা ওর্দর থোকখ্রে। য়ামদ্রবদা পেসেঞ্জর ২৩দি শিরে হায়বা কনফর্ম তৌখি অদুগা মীওই ৪ না শোকহনখি হায়রি।

এ সি কোষ্ট অদুদা পেসেঞ্জর ৬৭ তোংলকখি। মদুগী মনুংদা মীওই ২৩দি মৈ মনুংদা থোকফম খঙদনা লৈহৌখিবনি। রেলৱে ওফিসিয়েল–শিংগী স্পোট ইনক্বারি রিপোর্টতা মৈ অদু শোর্ট সর্ক্যুট অমদগী হৌরকখিবনি। অদুগা চপ চাবা মরম অদুদি ইনক্বারি চথরবা মতুং খঙবা ঙমগনি হায়রি।

চথগদবা ইনক্বারি অদু ইলেক্ট্রিকেল সেনিয়র ওফিসিয়েল য়াওনা পেনেল অমা শেন্নবা মতুং চখগদবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অমগী নক্কবা মরী–মতাশিংদা কম্পেন্সেশন ওইনা লুপা লাক্ষ ৫ পীরগনি। কা–হেন্না শোকপশিংদা লুপা লাক্ষ ১ অদুগা মাইনর ওইনা শোকপশিংদনা লুপা৫০,০০০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। অশোকপশিং লায়েংবদা চঙগদবা শেনফমশিং রেলৱেজনা পুথোক্লগনি হায়রি। অশিবা হকচাংশিং অদু বেঙ্গলোরদা পুগদবনি হায়খি।

*এন দি টি ভি* গী রিপোর্টতা ট্রেন অদু ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং ১০.৪৫ দা ননদেদকীদমক বেঙ্গলোর থাদোকখিবনি। ট্রেন অদুদা তোংখিবা পেসেঞ্জর ৬৪দি কর্নাটকাদগীনি হায়রি।

রেলৱেজগী এদিশনেল দিভিজনেল মেনেজর সনন্দ অরুনবা ফোঙদোকখিবদা, মৈনা কা–হেন্না চাকখিবনা অশিবা হকচাংশিং অদু মশক খঙদোকপদা মতম চঙগনি হায়খি।

ট্রেন মনুংদা ওইরমগদবা ফিভম অদু অকিবগী মশক্লি। কনা অমত্তনা মখোয় শিরগনি হায়বা থাজরম্লোই হায়না অন্দ্র প্রদেশ রিভিন্যু মিনিষ্টর রঘুবির রেদ্দিনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অমদি অশোকপ–শিংগীদমক রেলৱেজ অমসুং ষ্টেট সরকারনা পাংবা য়াবা মতেং পাগদবনি হায়খি।

## অদার্শ রিপোর্টকী মতাংদা রাহুল গান্ধিগী ফিরেপ সোনিয়া গান্ধিনা শৌগৎলি

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৮ঃ* অদার্শ হাউসিং সোসাইটি স্কামগী মতাংদা পীখৎলকখিবা রিপোর্ট অদুবু মহারাষ্ট্রা সরকারনা রিজেক্ট তৌখিববু কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগী মতুং নোংমা কোনবদা পার্টি অদুগী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা, মহারাষ্ট্রা সরকারনা ৱাফম অদু অমুক হন্না য়েংশিনগদবনি হায়খ্রে।



কংগ্রেসকী ফাওন্দেশন ডেগা মরী লৈননা পার্টি অদুগী হেদক্বার্টরসতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱাফম অদু সোনিয়া গান্ধিনা ফোঙ–দোকখিবনি।

মীফম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহসু শরুক য়াখি। সোনিয়া গান্ধিনা ইস্যু অদুগী মতাংদা ফোঙদোকখিবদা, রাহুল গান্ধিনা রিপোর্ট অদুগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়নন্না সরকারনা রিজেক্ট তৌবগী লৌখিবা ৱারেপ অদু অমুক হন্না খন্নগদবনি হায়খিবা ৱাফম অদুবু শৌগৎলি।

ইং ২০১১গী জানুৱারি ৯ দা মহারাষ্ট্রা সরকারনা মুম্বাই হায় কোর্টকী থবক্তগী পোথারবা জজ জে এস পাতেল অমসুং হান্নগী চিফ সেক্রেটেরি পি ঈ সুব্রমনিয়ান য়াওনা মীওই অনীনা শাবা ইনক্বারি কমিটি অমা শেমদুনা কমিশনগী ইনক্বারি এক্ট ১৯৫২গী মতাংদা ৱাথোক অদু থীগৎহনখিবনি।

রিপোর্ট অদুনা হান্নগী চিফ মিনিষ্টর, অর্বান দিভেলপমেন্ট মিনিষ্টর ২ অমসুং ব্যুরোক্রেট ওফিসার ১২ মরাল লৈরে হায়না পীখৎ–লকখিবনি। অরোইবা রিপোর্ট অদু ইং ২০১৩গী এপ্রিল থাদা পীখৎলকখি। পীখৎলকখিবা রিপোর্ট অদুগী মুম্বাই হায় কোর্টনা ষ্টেট অদু এসেমব্লিদা পুখৎনবা ওর্দর থোকখি। অদুবু রিপোর্ট অদু এসেমব্লিদা পুথোকপগী ৱাফম অদু মহারাষ্ট্রা কেবিনেটনা রিজেক্ট তৌরে হায়না ফোঙদোরকখি।

অদুগুম্বা ৱাথোক অদুগী মতাংদা মেদিয়াশিংনা অতোপ্পা ষ্টেটতসু য়েংশিলহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙ–দোকপগা লোয়নন্না মেদিয়াশিংনা অতোপ্পা ষ্টেটতা তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংনা লুচিংলিবা অমদি মদুগা মরী লৈনবা করপশনগী মতাংদা য়েংশিনগদবনি। অতোপ্পা পার্টিশিং অদু কংগ্রেসকী ওইনদি মরুপ–মপাং ঙাক্তনি হায়খি।

অরানবা তৌবশিংবু পুথোক্লবগী মতাংদা কংগ্রেস পার্টি খক্তমক থাদোক্লোইবনি। পূম্নমক্না মীৎয়েং চঙমিন্নদুনা অরানবা থবকশিং অদু পুথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়খি।

কংগ্রেসকী মপোক কুমওন থৌরম অদুগা মরী লৈননা সোনিয়া গান্ধিনা পার্টিগী ফিরাল চিংখৎখি। লোয়নন্না য়ু পি এ সরকারদা পার্টি অদুনা করম তৌনা লুচিংলকখিবনো হায়বদু নীংশিংখি। লোয়নন্না লোক পাল বিল য়েৎনবা য়াওদনা পাস তৌহনখি হায়খি।

ইরাই নুমিত্তা পাঙথোকখিবা সোনিয়া গান্ধি য়াওবা মীটিং অমদা মহাক্না লোক অয়ুকতা অমসুং ইনফ্লেশনগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, করপশন অমসুং ইনফ্লেশন লাকশিন্নবগীদমক চিফ মিষ্টিরশিংনা অকনবা মীৎয়েং চঙগদবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক পাল্লিবা সরকার অসিনা এম এল এ অমসুং এম পিশিংবু ঙাক–শেন্ননবা ওর্দিনান্স পুথোকপগী ৱাফমদা পার্টি অদুনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখিবনি।

মহারাষ্ট্রাগী চিফ মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিল্লদুনা মহাক্না হায়খিবদা, ওগষ্ট থাদা কনাগুম্বা অমত্তবু কনখৎনবা ৱাফম ফোঙদোক্লোইদবনি হায়খি।

## অসামগী কাঙলুপকী ঈরাংনা শোকহল্লবা মফমশিংদা মতম কক্তনা কর্ফিয়ু থমখ্রে

*গুৱাহাটি, দিসেম্বর ২৮ঃ* অসামগী কার্বি অংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চৌকিহাওলা লমদমদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশন্না মতম কক্তনা কর্ফিয়ু থমখ্রে।



ইরাই নুমিত্ত কার্বি পীপল্স লিবরেশন টাইগরগী মিলিটেন্টশিংনা নাগাশিংগী খুঙ্গং অমদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীওই ৪ হাৎখিবা থৌদোক্তা মরী লৈননা ঈরাং থোরকপা কর্ফিয়ু লৈবনা ফিভম অদু থমখিবনি হায়রি।

অসাম সরকারনা ঈরাং থোক্লকপা য়াই চিংনবা মফমশিংদা অহেনবা সেক্যুরিটি ফোর্সকী কম্পনি অহুম ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা থাজিনখ্রে। খূৎলায় মতীক চানা পায়বা কার্বি পীপল্স লিবরেশন টাইগর (কে পি এল টি) গী মিলিটেন্টশিংনা বোকাজন সব–দিভিজনগী মনুং চনবা চোকিহোলাগী খোআনি খুঙ্গংদা এটেক অদু চথরকখিবনি। মখা তারকপা ওইনা মিলিটেন্টশিং অদুনা য়ূম খরসু মৈ থাদোক্লমখি হায়রি।

মিলিটেন্টশিং অদুনা খুঙ্গং অদুদা অতৎ অখম লৈতনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীওই ৪ মফম অদুদা হাৎখি। শিখ্রবশিংগী মনুংদা ৩ দি নাগা নুপীনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙ–দোরকপদা নাগা মিলিটেন্ট রঙ্গমা নাগা হিল্স প্রোটেক্সন ফোর্সনা কে পি এল টিগী মথক্তা কাওন্টর এটেক চথবা হৌখিবগা লোয়নন্না কে পি এল টিগী মীওই ২ হাৎখ্রে হায়রি। অদুমওইনমক, শিখ্রে হায়রিবা মীওইশিং অদুগী হকচাংদি ফংবা ঙমদ্রি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

মফম অদুদা মতম কক্তনা কর্ফিয়ু থমজিনখ্রে। মখা তানা হিংশা থোকপগী পাউ ফংদ্রি হায়না কমিশ্নর সেক্রেটেরি (হোম) জি দি তিপাঠিনা ফোঙদোক্লি।

ওইরক্লিবা ফিভম অদু মীকূপ নাহুম শিংনা ঙসি অয়ূকসু য়েংশিনখি লোয়নন্না সর্চ ওপরেশনসু চথরি। অদুমওইনমক, হাৎখ্রে হায়রিবা কে পি এল টি মিলিটেন্টশিংগী হকচাং অদুদি ফংবা ঙমদ্রি হায়রি।

থৌদোক অদুগী তুংদা সরকারনা চোকিহাওলা অমসুং বরপাঠরদা রিলীফ কেম্পশিং হাংদোকখ্রে। রিলীফ কেম্পশিং অদুদা হৌজিক মীওই ৫০০রোম চঙজফম লৌদুনা লৈরি।

পুলিস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশন্না ঈরাংনা মরম ওইরগা রিলীফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিং অদু মখোয় মখোয়গী খুঙ্গংশিংদা হলহনখিনবা হোৎনরি।

হিংশাগী থৌদোক্না শোকহল্লবা মফমশিংদা সেক্যুরিটিগী অখন্নবা এরেঞ্জমেন্ট পায়খৎলে। মখা তানা ঈরাং থোরক্কনি হায়বগী মীপাইবা লৈত্রে। লোয়নন্না মীয়াম অদুবু ভাব তাহনবগী থবকসু পায়খৎপগা লোয়নন্না অথুবা মতমদা মখোয় মখোয়গী খুঙ্গংশিংদা হলহনখিনবা হোৎনরি হায়না ত্রিপাঠিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মাওইষ্টনা মলকানগিরিদা থোং অমা বোম পোকখায়হন্দুনা অমাঙ–অতা থোকহনখ্রে

*বেরহাম্পুর, দিসেম্বর ২৮ঃ* ওদিসাগী মলকানগিরি দিষ্ট্রিক্টকী কালিমেলা পুলিস ষ্টেশনগী মনুং চনবদা লৈবা থোং অমা মাওইষ্টশিংনা বোম পোকখায়হন্দুনা থুগায়খ্রে।



অহানবা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না মাওইষ্টকী খূৎলায় মতীক চানা পায়বা কাদর ৫০রোম্না মফম অদুদা অয়ূক্কী পূং ২.৩০ চৎপদা বোম অদু প্লান তৌদুনা পোকখায়হনখিবনি হায়রি।

মাওইষ্টশিংনা খূৎনা ইবা পোষ্টর অমা পোকখায়খিবা মফম অদুগী নক্লবা মফমদা থেৎলম্বগা লোয়নন্না পোকখায়হনখিবা থৌদোক অদু মাওইষ্টশিংনা মখোয়গী মথক্তা ওপরেশন চথবা অমদি ইং ২০১২ দা এনকাওন্টর চখদুনা মখোয়গী কাদর ১৩ হাৎখিববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা চথবনি হায়না ইরি।

মলকানগিরিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অখিলেস্বর সিংহনা ফোঙদোকখিবদা, থোং অদু পোতেরু তুরেলগী মথক্তা শাবনি। মফম অদুদা মাওইষ্টশিংগী কাদর ১০০ রোম ছতিসগরদগী চঙশিল্লক্তুনা থৌওং অদু চথখিবনি। মদু মখোয়না মাওইষ্টশিংগী কাদর মথং–মনাও নাইনা ফাগৎখিবা, সরেন্দর কয়া তৌহনখিবা অমদি মায় পাক্না এনকাওন্টর চথখিবা, অতোপ্পা মফমদগী য়েৎনদুনা লৈরিবা মফমশিংদা চঙশিন্দুনা এটেক চথহনখিবগী মায়োক্তা থোকহল্লম্বা ওইগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মখা তানা ফংখিবা পাউদা, মাওইষ্টকী খূৎলায় মতীক চানা পায়বা কাদরশিংনা কালিমেলা পুলিস ষ্টেশনগী মনুং চনবা সঙ্গেল খুঙ্গংদা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা চঙশিল্লক্তুনা রেইদ চথরকখি।

আইন্না য়াদবা খূৎপু অদুনা ইমুং অদুদা লৈবা অতাংবা পোৎলমশিং হুরান্দুনা পুখি হায়রি। চৎলিবা থা অসিগী ২৫ দা মাওইষ্টশিংনা পোকখায়হন্নবা মচাকশিং শীজিন্নদুনা মলকানগিরি দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা পাদিয়া ব্লোক ওফিস থুগায়খি।

দিসেম্বর থা অসিখক্তদা মাওইষ্টনা কিদনেপ তৌবা, মীচমশিং হাৎপা অমদি পেসেঞ্জর বসশিং মৈ থাবগী থবক চথখি। হৌজিক সেক্যুরিটি ফোর্সকী মনুং চন্না বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্সকী কাঙবুশিং মফম অদুদা থোমজিনখ্রে অমদি য়ূম–য়ূমশিংদা চঙদুনা আইন্না য়াদবা কাঙবুশিং অদু ফাননবগীদমক ওপরেশন চথরি হায়রি।

**PAPER INVITED**

Seminar paper are invited from Concerned Individuals, Teachers, Professional, Research scholars, Learners and Students for a National Seminar on the topic reading habit or on any issues associated with reading habit.
Last Date of Paper Submission is on or before 10th January 2014 through the contact given below :-

1. Sophia Saubam@yahoo.com
2. Ldhanu123@gmail.com
3. 09856116907,09856540172,09856684074,09436230743.

Sd/-
**S.Sophia Rani**
Gen.Secy(MALA)

Bill no/ 07/27,28&29/13